## এডিটোরিয়েল

### থৌশিল হৈতবদগী সরেন্দর তৌবা

*মমাঙদা মীওই কয়ানা নৎত্রগা পাউচেশিংনা পীবা সজেসন অমত্তা লৌদনা ইমা কৈথেল অহুমগী মনুংদা কৈথেল অনী চহী হৌগৎলকপা জনুৱারী তাং ৪ গী অকনবা য়ুহারদা অকায়–অতোয় থোকপদগী কৈথেল মনুংদা ফম্বগী অকিবা লৈরকপা মতমদা হেক্তা কৈথেল ফম্বী লূপশিংগী লুচিংবীশিংনা পীবা মফমদা কৈথেল শানবা থৌরাং লৌখৎখি। মদু ওইবা য়ারোইদবা থৌশিল অমা ওইগনি হায়বসি পাউচে অসিনসু মরম পীদুনা ফোঙখি। মদু পুম্বা থৌশাদনা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মশাগী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা থাঙ্গাল কৈথেলদা টেম্পোরেরি মার্কেট সেদ শাগৎলুবগী অশোয়বা অদুদি সরকার অসিনা মরাল য়াজফম থোকপনি। লুরিবনা অতেক–অকায় নংখ্রবা মার্কেট অসিগী কমপ্লেক্স অসি শাগৎলগনি হায়বগী থাজবা নৎত্রগা শীন্দোক্লগনি হায়বগীসু তাংদাংবা অমত্তা মীয়ামদা খঙহনবা ঙমদবা অসিনি। মসিনা কৈথেল ফম্বীশিংদা নিংজিং মাংজিংনবা কয়া অমসু থোকহল্লি হায়বসি সরকারগী থৌ–পুরিবশিং অমদি ইমা কৈথেলগী লৈরিবা ভেন্দরশিংগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা খঙফম থোকই। মসিগী মথক্তা কৈথেল ফম্বীশিংনা জনুৱারী ৫ গী মতুংদা করম্বা মওংদা মখোয়গী ইমুং–মনুং পুনবা নোংমগী পোৎফম করম তৌনা ফমগদৌরি হায়বসিগী নুংনাংবা অমদি অদুম্মক পোক্লমগনি হায়বসিদা সরকারনা করিগুম্বা অমত্তা খনখিদে হায়বসিদি য়াম্না শেংলবা ৱাফম্নি। ইমুং মনুং পুবগী মৈশানা কনখিবনা মরোমদোম থোক্লরক্তুনা ফুট পাঠতা পোৎচৈ পুথোক্তুনা য়োনখিবা অমসুং মদুনা মরম ওইরগা ত্রাফিক্তা কঞ্জেসন কয়া অমা থোকহনখিবা মতমদুদা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী লুপশিংনা খন্নখিবা অমসুং হান্না লাওথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনখিবা লৈতে হায়বসিদি চেনবা য়াররোইদবা ৱাফম্নি। মতম খরদুদা ফুট পাঠতা কৈথেল ফমখিবা ইমা ভেন্দরর মশীং কয়ানো অমদি ভেন্দর লিশিং অনীগী ৱুমেন ভেন্দররশিং লোয়নমক লম্বীগী চিদাইদা ফমখিব্রা হায়বসিগী অশেংবা অমসু কৈথেল লুপশিং অমদি সরকারগী ইন্টলিজেন্সনা মীয়ামদা খঙ হনফম থোকই। মদুমসু ফুনৈ–নানৈবগী মওংদা থম্মী অমসুং কৈথেলদা থোক্লক্কদবা ৱাথোক কয়াদু ঙাইরগা থবক তৌনবা হোৎনবগী ঙসিগী প্রোব্লেম অসি লাকপনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদি থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ জয়কিষনদা সরকারনা লাল্লে হায়না চংজবগা চপ মান্নে। কৈথেলগী ৱাথোক সরকারনা পোলিটিকেল মাইলিয়েজ লৌনবা হোৎনরুবদগী ওপোজিসনগা পোলিটিসাইজ তৌশিল্লকপনি অমদি মদুগী খুদোংচাবা অদু বিজেপিগী এম এল এ জয়কিষন না লৌখিবনি হায়বসি মীয়াম্না ঙসি চপ চানা উরবা ৱাফম্নি।*

*হৌজিক্তি সরকারনা হান্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পীখিবা লমদা কৈথেল শারগনি হায়না লেপখ্রে। মসিদগী হেন্দোক্লা বিটি রোদলোমদগী ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিস গেট ফাওবদা টেম্পোরেরি ভেন্দর সেদশিং শারগনি হায়রি। মসিদসু বিটি রোদকী হান্না লৈজরবা দুকানশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবা য়াই হায়বা ইশু অমা লাক্কনি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মদুগী ইশু অদুদি থোইনা লুবা ওইরোই। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল নৎত্রগা কোর্পোরেসনদা মাঙজগদবদি পার্কি এরিয়াগী সেদ অসিনি। পার্কিং সেদ অনী অসি লম্বী অদুদা পীরুবদগী নুমিৎ খুদিংগী মীয়াম চখোক–চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখি হায়বসিদি লৈঙাকসিনা অমদি কৈথেলদা পোৎ লৈবা লাকপা মীওই খুদিংমক্লা খঙলবনি। পার্কিং এরিয়া পীখিবা মতমদুদসু করিগুম্বা বিটি রোদতা মৈহৌ লাংপোক থোকপা মতমদা খুদোংচাদবদি অদুম্মক থোকপা য়াবনি। বিটি রোদকী দুকান পার্কিং অসি দুকানগী রোদ খাথংবা মায়কৈ অমসুং অৱাংথংবা মায়কৈ হায়দুনা রো অহুমখক্তমক শাবনি। রুপমহল টেঙ্ককী মনুংদা পার্কিং ওই হায়রগসু হায়রিবা টেঙ্ককী এরিয়া অদুদা হৌজিক–হৌজিক লৈরিবা লম্বীশিংদগী ফায়র সার্ভির্সকী অচৌবা ফায়র টেন্দরশিং থৌজিনবা য়াবা অমত্তা ওইদে। ইমা ইবেলশিংগী পোৎফম শাখিবা মতমদা কনানসু মৈহৌ লাংপোক থোক্লবা শিল্লকপা লৈরোই। মদু থোকহনগে হায়রবদি মদুসু পোলিটিকেলগী ওইবা থৌশিল ওইগনি। বিটি রোদতা লৈরিবা দুকানশিং অসিদি মশাগী য়ুম ওইনা শীজিন্নবা, মখাদা দুকান ওইবা মখলগী ঙাক্তনি। শম্না হায়রবদা দুকানশিং অসি ঙসি ফাওবা সেফ ওইরিবা অমসুং মরুওইবা মফম অমা ওইনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং পায়খৎলিবা মফম অমনি। মফমসিদা কা–হেনবা থৌদোক থোক্লবদি মণিপুর প্রদেশ কঙ্গ্রেস কম্মিতিগী কঙ্গ্রেস ভবন অসি ফাওবা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়ারিবনি। তৌবতবু বিটি রোদতা ইমা কৈথেলগী এক্সটেন্সন অমা লৈবা তারগদি মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী লৈরিবা গাড়ীশিং চখোক চৎশিনদা অপনবা লৈহন্দনবা লম্বী অমদি পীনবা হোৎনগদবনি। লম্বী অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম খুদোংথিবা থোকহন্দনবা হোৎনবদি ত্রফিক রেগুলেসনগী মথৌ ওইবা তাবনি। মরক্কী ওইবা থৌশিন ওইবনা সরকারগী অনৌবা ফিরেপসিদদি ইমাশিং মীয়ামগী লুচিংবশিং অমদি সরকারগী অপুনবা থৌরাং ওইহন্নিংঙি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কৈথেল ৱাথোক লোইশিনসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

ক্বালিটি কন্ত্রোল তৌহৌদবদগী নুপী কৈথেল অনী য়ুহার হাবদা কিন্থখিদুনা চংবা য়াখিদবদগী পোৎফম ফম্ফম লৈত্রবা নুপী ১৯০০ লোমগী ফম্ফম শিনবদা সরকার মথা শারি। মসিমক্তিঃ সরকার অসিনা অমসু য়াগদবা অমসু য়াগদবা থৌওং অমা পুথোকপা ঙমদবদগীনি। নুপীশিংনা মখোয়গী হান্নগী কৈথেলগী মনাক্তা কৈথেল শাদবা য়ারোই হায়বদগী থাঙ্গাল বজারদা কৈথেল শারুবদগী সরকার চোপখ্রে। অদুগা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ জয়কিষনগী ২০১৭ কী ভোট সু খোম্বীখ্রে। হৌজিক অমুক হাও কৈথেলদা কৈথেল শাগনি হায়রুবদা নাকল অমনা ৱাকৎ ময়াম অমা থাংগৎলক্লে। কৈথেল ফম্বী কাংবু অমনা মখোয়গী ফম্ফম তোখাই তোখাইনা শিনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অমা অমুক লাক্লে। মতাং অসিদা ফোঙদোকচনিংবা ৱাফম অমদি খ্বাইরমবন্দ কৈথেল অসিগী নুপী কৈথেলগা মরী লৈনবা মীওই কাঙবুনা খবরদা সরকারনা থবক হেক তৌরকপগা মত পীহনবগী মহুৎতা সরকারনা মরী লৈনবা পূম্নমক পুন্না ফমিন্নহল্লগা অপাম্বা লোইনা ফোঙদোক্ল হল্লগা য়ানগদৌবা ৱারেপ অমা লৌহল্লগা থবক পায়খৎহন্নীংই। নৎত্রবদি খবরদা নুমীৎ খুদিংগী অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায় হায়নীং হায়নীংবা হায়নবসি অতাবা ঐখোয়না হেন্না খোইদৌ শাওগৎনবগী মচাক ওইরে।

**অদোমগী,**
**চোংথাম নয়ন সিংহ**
**লমশাং**

## ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অমদি মসিগী য়ুম্ফম থোল্লকপা

ইং ১৯৪৭ কী অগষ্ট ১৫ দা ভারত নিং তম্লে। মতম অসিদা ভারতনা মশাগী সাবিধান (কনষ্টেট্যুসন) অমা পাম্লকখি। মরম অদুনা সংবিধান ড্রাফটিং কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিগী প্রসিডেন্টনা ডা. ভিম রাও রামজি অম্বেদকরবু খনখি। ডা. বি আর অম্বেদকরনা অহিং–নুংথিল তুম্বা–চাবা খঙদনা হোৎনজবনা ধর্ম্ম, জাতি, লোল, লমদম, কাঙলূপ পূম্নমকপু পুন্না কোনশিনবা ঙম্বা, পৃথিবিগী খ্বাইদগী কুপ্পা, খ্বাইদগী চাউবা, তোপ–তোপ্পা সাবিধান অসি শুপ্নতগী থা ৬ খক্তগী মনুংদা শেম্বা লোইদুনা ড্রাফটিং কম্মিটি অসিনা থাগৎলকখি। ড্রাফটিং কম্মিটি অসিনা অহানবা ওইনা নবেম্বর ১৯৪৮ দা ডা. অম্বেদকর মশানা পাথোক্তুনা, ব্যাখা তৌদুনা, ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীদুনা নৈনবা য়াবা নৈনখি। মসিগী মতুংদা অনীরক হন্না ইং ১৯৪৮ গী ওক্তোবরদা অমুক ইং ১৯৪৮ গী নবেম্বরদা অমুক হন্ন–হন্না নৈনরগা ইং ১৯৫০ গী জানুৱারী তাং ২৬ তা ভারত জাতিনা মশানা শেমজবা সংবিধান চৎনদুনা মরৈবাক মচানা শেমজবা গনতন্ত্রগী শাসন লৈজদুনা ঙসিগী শক্তি লৈরবা ভারত লৈবাক অমা ওইরকখি।

মরুওইবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী হৌরফমশিং ঃ

(ক) গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫

(খ) ইক্সপরিয়েন্স ওফ অন্দর কন্সটিট্যুসনশিং

(গ) ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭

(ঘ) দিবেটস ওফ দি কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন অসি চৎনরে হায়দুনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ইং ১৯৩৭ তা চৎনখিবা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫ অসিগী প্রোভিসনশিং অসিনা বৃটিশ ইন্দিয়ানা লৈঙাক্লম্মী। হায়রিবা এক্ট অসিদগী চীংথোক্তুনা লৌথোক্লগা হাপতোক–হাপচিন তৌরগা খরা হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লগা হৌজিক্কী কন্সটিট্যুসনগী স্ত্রকচরেল পার্ট অসি শেমখিবনি। কন্সটিট্যুসনগী চাদা হুম্ফুতরা (৭০%) দি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫ দা বেজ তৌই। অইবা কন্সটিট্যুসন হায়বসি নোপতবা, চপ তিংবা ওইরোইদবনি, কোম্হোক কোনশিন য়াবা অমা ওইগদবনি। মসিদা কোম্হোক কোনশিন য়াবা হায়বদি কন্সটিট্যুসন অসি শেমদোক শেমজিন ঙম্বা বোদি অমনা শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াবা হায়বনি। ইং ১৯৪৯ নভেম্বর ২৫ দা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মপানি হায়রিবা ডা. বি. আর. অম্বেদকরনা ফন্দামেন্টেল রাইট অসি মপুং ফাবা, হোংবা য়াদবা অমা ওইগদবনি হায়না পীরকপা সজেসনশিং লাল্লি হায়না ককথৎখিবা অদুদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন অসি শেমদোক শেমজিন য়াবা কন্সটিট্যুসন অমা ওইহনগদবনি হায়না অচেৎপা হোংদবা অদু লেঙদনা থমহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন ফ্রেম তৌরিবশিংগা অতোপ্পা কন্সটিট্যুসনশিং নৈনরুবদগী তানশিল্লকপা ইম্পারিয়েন্সশিংগী কান্নবা লৌনবা খনখি।

ক) কন্সটিট্যুসনগী ফন্দামেন্টেল রাইটকী চেপ্তর অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী (য়ু.এস) বিল ওফ রাইটসতা বেজ তৌই।

খ) দিরেক্টিব প্রিন্সিপাল ওফ ষ্টেট পোলিসিগী আইদিয়া অসি আইয়র কন্সটিট্যুসন ... দগী লৌই।

গ) পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেম অমসুং কেবিনেট গভর্নমেন্ট অমসুং ইকজিক্যুটিব অমসুং লেজিসলেচরগী লৈনবা মরীশিং অসি পাক শন্না বৃটিশ কন্সটিট্যুসন্দগী লৌই।

ঘ) য়ুনিয়ন ষ্টেট অনীগী মরী অসিদা কানাদিয়ান কন্সটিট্যুসন অমসুং গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ান এক্ট, ১৯৩৫ অনীগী মান্নবশিং লৈ। অদুম ওইনমক তরেৎশুবা সেদ্যুলদা পাকথোক শন্দোক্লবা কনকরেন্ট লিষ্ট দি স্ত্রেলিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মোডেলশিং লৈ।

ঙ) পার্ট XIII দা দিল তৌরিবা ত্রেদ, কম্মর্স অমসুং ইন্টরকোর্স অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ান কন্সটিট্যুসন্দগী ৱারোলশিং চিংশিল্লকই।

চ) ইমরজেন্সি প্রোভিজনশিং অসি দি জর্মন রিচ অমসুং দি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫ অনী অসিদা চুংশিন্নরগা বেজ তৌদুনা শেমই।

ছ) পার্লিয়ামেন্ট অমদি ষ্টেট লেজিসলেচর মেম্বরশিংগী প্রিবিলেজশিং অসি ওষ্ট্রেলিয়ান মোদেলনা বেজ তৌদুনা লৌশিল্লি।

অদুবু য়েলহৌঙৈগী ওইবা পঞ্চায়ট 'ম্যুনিসিপালিটিস' অমসুং 'কো–ওপরেটিব সোসাইটিজ' শিংগী লোইশঙশিংসিদি ঐখোয়গী অনৌবা ৱাখল্লোন্দা শাগৎলি।

মনিং মখা তম্বা মপু ওইবা অনী (Two dimensions) খক্কী পান্দমদা অমনা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫ চপ চানা হোংদোক হোংজিন তৌনবা অদুগা অতোপ্পা অমনা অদুগুম্বা মপু ওইবশিং অদুগী তুং তারকপা অতোপ্পা হিরমশিং শেম শাজনবা নৎত্রগা মপু ওইবশিং অদুগী তুং মরী লৈনবশিং শেমগৎ শাগৎনবা ইং ১৯৪৭ কী জুলাই ১৮ দা দি ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্ট এক্ট ১৯৪৭ (10&11 Geo.6 Ch. 30) অসি বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট পাস তৌখি। লোয়ননা এক্ট অসি নুমিৎসিমক্তদগী চৎনখি। মসিগী Paeamble না অসুম্না " An Act to make provisions for setting up in India of two independent dominions, to substitute other provisions for certain provisions of the Government of India Act 1935 which apply outdsite those dominions and to provide for other matters consequential on or connected with the setting up dose dominons". মঙম লৈবা শক্তি লৈবা, বিদ্যা/মহৈ–মশিং হৈবা, খঙ হৈরবা মীওইশিংগা কন্সটিট্যুটসন শেম্লে। মসিগী এদভাইজরনা বি. এস. রাওনা ওইখি। মহাক্না মেমোরিএল অমা শেমদুনা, মীয়াম, প্রোফেসনেল বোডি, লেজিসলেচর, পব্লিক বোডিশিং অমদি, অতোপ অতোপ্পশিং হোষ্টশিংদা মখোয় মখোয়গী মতশিং ফোঙদোরক্লবা মীয়ামদা পাউ শন্দোক্লমখি। অসুম্না পীনরক্লিবা, ক্রিটিসিজমশিং, কম্মেন্টশিং অমসু সজেসনশিং অসি তারবা মতুং ড্রাফট অমা শেম্লগা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিদা পীশিল্লি। মতুংদা ডা. বি. আর. অম্বেদকরনা ইন্ত্রদ্যুস তৌখি। মসিগী এসেমব্লি অসিগী মতুং তারকপদা কম্মিটি অহুম শেমখি।

১) জৱাহরলাল নেহরুনা চোরমেন্ ওইবা মীওই মাপলনা শাবা য়ুনিয়ন পাৱর কম্মিটি।

২) সাদার ভল্লাভাই পাটেলনা চ্যেরমেন ওইবা মীওই ২৫ দা মেম্বর ওইবা প্রোবিনসিএল পৱার্স কম্মিটি,

৩) সাদার ভল্লাভাই পাটেলনা চ্যেরমেন ওইবা মীওই ৫৪ না মেম্বর ওইবা কম্মিটি ওন ফন্দমেন্টেল রাইটস এন্দ মাইনোরিটিজ। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা মরু ওইবা কম্মিটি অনী অমসু শেম্লম্মীঃ

১) পণ্ডিত নেহরুনা চ্যেরমেন ওইবা মীওই ১৫ না মেম্বর ওইবা দি কম্মিটি ওন য়ুনিয়ন কন্সটিট্যুসন,

২) ডা. কে. এস. মুন্সিনা চ্যেরমেন ওইবা ষ্টরিং কম্মিটি শেম্লিবা কম্মিটিশিং অসিদগী রিকমেন্দেসনশিং ফংলবা মতুং ডা. অম্বেদকরনা কম্মিটিশিংগী রিপোর্টশিং পুথোক্তুনা পাথোকখি। কন্সটিট্যুসনেল এসেমব্লিদা ইসেন্সিএল অমসুং নন– ইসেন্সিএল ফিচরশিংগী মরক্তা মান্নদবা অমত্তা লৈত্রে (desavananda Bharati v State of kerala AIR 1973SC1461:(1973)4SCC: 1973 Supp SCR1. Para 882) কনাগুম্বা অমত্তনা ফন্দামেন্টেল রাইটসতা শেমদোক শেমজিন তৌরকখিদে। মসিদা কন্সটিট্যুসন ফ্রেম তৌরিবশিংগীসু দিবেট অমত্তা লৈখিদে।

অসুম্না ঙসিগী কন্সটিট্যুসনগী ড্রাফট অসি ইং ১৯৪৮ গী ফেব্রুৱারীদা ফোঙদোকখি। কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিদা ইং ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ দগী ইং ১৯৫০ গী জনুৱারী ১ ফাওবা লো মিনিষ্টর ওইখি। হায়রিবা কন্সটিট্যুসন এসেমব্লিনা ক্লোজ ক্লোজ নাইনা সেসন কয়া চথরবা তুংদা ইং ১৯৪৯ ওক্টেবর ১৭ তা অনীরকশুবগী পাথোক্তুনা নৈনবা লোইখি। চহীসিমক্কী নভেম্বর ১৪ দা অমুক হন্না কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি অমুক হন্না উন্নখি। অদুগা ১৯৪৯ গী নভেম্বর ২৬ তা অহুম্লকশুবা পাথোক্তুনা নৈনবা লোয়রদুনা অহানবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদনা মহাক্কী খুৎয়েক (signature) পীখি। লোয়ননা নুমিৎসিদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন পাস তৌখি। হায়রিবা নুমিৎ ২৬–১১–১৯৪৯ অসিদা কন্সটিট্যুসনগী অরোইবা দোক্যুমেন্ট অসিদা অপুনবা মেম্বর ২৯৯ গী মনুংদা চপ চানা মেম্বর ২৮৪ না খুৎয়েক পীখি।

## দি এসেন্সিয়েল কোম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৫৫

### (১৯৫৫ গী এক্ট নং ১০)

**মোইরাংথেম রাজেন্দ্র**

***মমাং য়ুমশকৈশগী মখা...***

(ii) সব–সেক্সন অসিগী মখাদা থোকপা করিগুম্বা নোটিফিকেসন অমা নোটিফিকেসন্দুনা লেপ্তুনা পীরবা থা অহুমদগীদি হেন্দবা অদুগুম্বা মতমদু চৎনদুনা লৈগনি।

(iii) সব–সেক্সন অসিগী মখাদা নোটিফিকেসন অমা থোক্লবা মতুংদা কনাগুম্বা মীশক অমনা মদুদা য়াওরিবা চান–থক্লবা পোৎচৈশিংদু মদুদা পল্লিবা মফমদুদা সবসেক্সন (২) গী ক্লোজ (এফ) কা মরী লৈননা থোকপা য়াথং অদু ইন্না য়োল্লবদা, অয়োনবা মীদুদা মমল ওইনা–

(এ) সেক্সনা অসিগী মখাদা চান–থক্লবা পোৎচৈগী লাকশিল্লবা মমল লৈরগদি মদুগা চানহনবা য়ারগদি, য়ানরবা মমলদু,

(বি) অসিগুম্বা য়ানবা অসি লৈত্রগদি, লাকশিল্লবা মমল অদুগী মরী লৈননা লেপ্পা মমলদু

(সি) ক্লোজ (এ) সু ক্লোজ (বি) সু শীজিন্নদ্রগদি, মফমদুদা নোটিফিকেসন থোক্ত্রিঙৈগী হেক মমাঙগী থা অহুমগী মতমগী মনুংদা চাংচৎ ওইনা কৈথেলদা পীনবা চাংদুগা মরী লৈনবা মমলদু।

(iv) ক্লোজ (iii) গী সব–ক্লোজ (সি) গী মরমশিংসিগীদমক্তা মফমদুদা লৈরিবা মমলগী চাংচৎ অসি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা হীরম অসিগীদমক মদু তৌনবা শিন্নরবা ওফিসার অমনা মফমদুগী নৎত্রগা থংননা লৈবা মফম অমগী কৈথেলদা পীবা মমলগী চাংনী হায়না ফোঙদোক্তুনা ফংলবা অঙ্ক মশীং অদুগা মরী লৈননা লেপকনী, অদুগা মতৌ অসুম্না লেপখ্রবা কৈথেলগী চাংচত্তা লৈবা মমলগী চাংদুনা অরোইবা ওইগনি অদুগা করিগুম্বা কোর্ট অমত্তনা মদুদা ৱাহং তৌনবা কৌখৎপা য়ারোই।

(৩–বি) সব–সেক্সন (২) গী ক্লোজ (এফ) কা মরী লৈননা থোকপা য়াথং অমনা কনাগুম্বা মীশক অমবু সবসেক্সন (৩–এ) গী মখাদা মখোয়দুগী মরীদা নোটিফিকেসন থোকখিদ্রিবা নৎত্রগা অদুগুম্বা নোটিফিকেসন্দুদি থোকখ্রবা চৎনখিদ্রবা (চৎনবা লেপখ্রবা) থাক নৎত্রগা মখল অমগী চানবা মরুমরাংশিং, চাবা য়াবা থাউশুম্নবা মরু–মরাংশিং নৎত্রগা চানবা থাউশিং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমদা নৎত্রগা অদুগুম্বা গভর্নমেন্টতুগী ওফিসার নৎত্রগা মীহুৎ অমদা নৎত্রগা অনুগুম্ব সরকারদুনা মপু ওইবা নৎত্রগা মদুনা লাকশিন্দুনা থম্লগা চলাইবা কোর্পোরেসনদা, য়োলহনবা তারবদি সব–সেক্সন (৩) দা য়াউরিবশিংদুগা ওন্নতৈনবা করিগুম্বা লৈজরবসু–

(এ) চান–থক্লবা মরু–মরাংশিং, চাবা য়াবা থাউ শুম্নবা মরু–মরাংশিং নৎত্রগা চানবা থাউশিং অদুগী অদুগুম্বা থাউ নৎত্রগা মখল অদুগী ওইনা অসিগী মখাদা নৎত্রগা হৌজিক্কী ওইনা চৎনরিবা অতোপ্পা আইনা অমনা নৎত্রগা মদুগী মখাদা লেপখ্রবা লাকশিল্লবা মমলদু,

(বি) মহৌশাগী ওইবা মহৈ মরোং থোক্লবা য়াবা (চাং),

(সি) কঞ্জুমরশিংদা অখন্নবা কঞ্জুমরশিংগী অশোনবা কাঙবুশিংদা অদুগুম্বা থাক্কী নৎত্রগা মখলগী চাংন–থক্লবা মহৈমরোংশিং, চাবা য়াবা থাউ শুম্নবা মরু–মরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউশিংদু নাতৈচাবা মমলদা ফংহনবগী তঙাইফদবা, অমদি

(দি) চান–থক্লবা মরু–মরাংশিং, চাবা য়াবা থাউশুম্নবা মরু–মরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউশিং অদুগী মরী লৈনবা থাক নৎত্রগা মখলদুগী মতাংদা এগ্রিকলচরেল প্রাইস কম্মিশন্ন মসিনা ফৈ হায়বা মমলগী মতাংদা পীরকপা ৱাফম লৈরবদি – মদু পূম্নমক য়েংলগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হান্ননা য়ারদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অদুগুম্বা চান থক্লবা মরু মরাংশিং, চাবা য়াবা থাউ শুম্নবা মরু মরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউশিংনচিংবগী ৱানশিনবা মতমগী মমলদুগা মান্নবা শেনফম অমা মমল ওইনা পীগনি।

(৩–সি) সব–সেক্স (২) গী ক্লোজ (এফ) গা মরী লৈননা থোকপা য়াথং অমনা পোৎ পুথোকইবা মীশক অমবু (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতবু ওইরবসু নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমদবু ওইরবসু নৎত্রগা অতোপ্পা মীশক অমদা নৎত্রগা মীশকশিংদুগী কাঙলূপ অমদা) চিনিগী করিগুম্বা মখল অমা য়োনবা তাহল্লবা অদুগা সব–সেক্সন (৩–এ) গী মখাদা অদুগুম্বা চিনি অদুগীদমক নোটিফিকেসনসু থোক্তবা নৎত্রগা অদুগুম্বা নোটিফিকেসন অমা থোক্তি থোকখ্রগা মতম শাংনা হৌখ্রবা ওইদুনা চৎনদুনদি লৈত্রবা মতমদুদা সন–সেক্সন (৩) দা অমা অমা য়াওজরবসু পুথোকইবা মীশক্তুদা ––

(এ) সেক্সন অসিগী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লেপ্পা খ্বাইদগী তাবা মমল,

(বি) চিনি পুথোকপদা চঙখিবা মমল,

(সি) পীফম থোকপা লৈরবদি মদুদা পীখ্রবা নৎত্রগা পীগদবা খাজনা নৎত্রগা থীফম থোকপা শেল, অমদি

(দি) চিনি শুংবগী থবক অদুদা থাদখিবা শেল্লেপ অদুগী হঞ্জিনফম থোকপা পূম্নমক তেক্ত কায়দনা হঞ্জিনবা ––

অসি য়েংলগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চিনিগী মমলদু হোৎকনি অদুগা পুথোকইবা মীশ্ অদুদা শেনফম অদু পীগনি অদুগা তোঙান তোঙানবা মফমশিং নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা কারখানাশিং নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা চিনিগী মখলগী তোঙান তোঙানবা মমলশিং মতম মতমগী ওইনা লেপ্পা য়াই।

**শন্দোকপা ৱারোল ঃ –**

সব–সেক্সন অসিগীদমক "পুথোকপা মী" হায়বসি চিনি শুংবগী থবক চত্থরিবা মীশক অমা হায়বনি।

(৪) তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমগী পোত্থোক পুথোকপা অমদি হুনবা অসি তেক্তা কায়দনা অদুম থম্বা নৎত্রগা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অসুম্না খল্লবদি মসিনা য়াথং অমা তৌদুনা (মসিগী মতুং তাবদদি শিন্নরবা য়েংশিন্নবা মী অমা হায়না পল্লবা) মীশক অমদা য়াথংদুনা পন্দুনা য়াউরবা ললোনপোত্তু পুথোকপা নৎত্রগা হুনবগী থবক অদুগী মপুমদুমক নৎত্রগা শরুক অমগী ওইনা মদুদা য়াউরিবা লাকশিন্দুনা থম্বগী থবকশিং অদু করিগুম্বা থবক অদুগী নৎত্রগা থবক্তুগী মচেৎ অমগী মরীদা অদুগুম্বা য়াথং অদু চৎনরিবমখৈদি।

(এ) শীন্নরবা য়েংশিন্নবা মীদুনা মাগী মথৌশিং অদু মঙোন্দা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পীরকপা পাউতাকশিংগী মতুংইন্না তৌগনি অদুম্নদি ওইরবদা, য়াথংদুদা পন্দুনা পীরবশিং নত্তনা করিগুম্বা হেনগৎপা নৎত্রগা থবক অদুগী শীল্লাঙবগী থৌপুরিবা নুপা অদুগী মথৌ পীদুনা অইবা চেদা পীরিপা ৱাফমশিংগা চানদবা মওঙদা লমতাকপগী য়াং মদুগী পীবগী শক্তি লৈতে, অমদি

(বি) থবক অদু নৎত্রগা মদুগী শরুক শিন্নরবা য়েংশিন্নবা মীদুগী য়াথং অদুগী ৱারোলশিংদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্কনি অদুগা থবক অদুগী নৎত্রগা মদুগী শরুক্কী শীল্লাঙবগী মথৌ তৌবা মীশক অমনা লমতাকপগী অদুগুম্বা য়াথংশিং অদু ইনগদবনি।

(৫) সেক্সন অসিগী মখাদা থোকপা য়াথং অমসি ––

(এ) মহৌশাগী ওইবা (ময়ামগী ওইবা) মওঙগী য়াথং ওইরবা নৎত্রগা মী কাঙলূপ অমদা শোকহনবা মওঙগী ওইবা তারগদি ওফিসিয়েল গেজেত্তা ফোঙদোক্কনি,অমদি

(বি) অখন্নবা মীশক অমা লমতাকপা ওইবা য়াথং অমা ওইরগনা অদুগুম্বা মীশক অদুদা ––

(i) মী মশাদা খুৎশিন্নদুনা নৎত্রগা পীদুনা, নৎত্রগা

(ii) খুৎশিন্নবা নৎত্রগা পীবা ঙমদবা তারগদি মদু মীশক অদুনা লৈনরিবা য়ুমদগী মপান থংবা থোঙ অদুদা নৎত্রগা য়ুমদুগী লায়না উগদবা অতোপ্পা মফমদা থেক্তুনা অমদি মদুগী অইবা পাউ অমা শেম্লগা নক্লনা লৈবা মীশক অনীনা সাক্ষি ওইদুনা অদুগুম্বা মীশক্তুনা পীগনি।

(৬) সেক্সন অসিগী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসার অমনা নৎত্রগা য়াথং পীবা অমদি মদুবু ইলহনবা ঙম্বা অঙম্বা অমনা থোকপা য়াথং পূম্নমক মদু থোকখ্রগা হেক য়ারিবমখৈ থুনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী মমাঙদা থমগনি।

**৪। ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদা মথৌশিং পীবা ঃ–**

সেক্সন ৩ গী মখাদা থোকপা য়াথং অমনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট ওফিসারশিং নৎত্রগা অঙম্বশিংদা শক্তিশিং অমদি মথৌশিং পীবা য়াই অদুগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট নৎত্রগা মদুগী ওফিসারশিঠ অমদি অঙম্বশিংদা অদুগুম্বা শক্তিদি নৎত্রগা অদুগুম্বা মথৌশিংদু করম্না শীজিন্নবা নৎত্রগা পাঙথোকপা তৌগদগে হায়বগী লমজিং লমতাক য়াউবা য়াই।

**৫। শক্তিশিং শিন্নবা ঃ–**

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, লমজিং লমতাকপীরিবদুদা পন্দুনা য়াউরিবা অদুগুম্বা ৱাফমশিং অমদি অদুগুম্বা ফীভমশিং অদুগী মখাপোন্না তৌগদবনি হায়না লমতাক্তুনা খঙহল্লবা য়াথং অমনা লমজিং, লমতাক্তুনা পল্লিবা ––

(এ) সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা অদুগুম্বা ওফিসার নৎত্রগা অঙম্বনা, নৎত্রগা

(বি) অদুগুম্বা ষ্টেট গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমগী মখাদা লৈবা অদুগুম্বা ওফিসার নৎত্রগা অঙম্বনসু সেক্সন ৩ গী মখানা রুল শেম্বা, য়াথং পীবা নৎত্রগা নোটিফিকেসন থোকপগী শক্তিদু শীজিন্নবা য়াই।

**৬। অতোপ্পা আইনশিংগা চানদবা য়াথংশিংগী মহৈ ঃ–**

এক্ট অসি নত্তবা অতোপ্পা এক্টতা য়াউরিবা করিগুম্বা অমগা নৎত্রগা এক্ট অসি নত্তবা অতোপ্পা অমনা মরম ওইরদুনা চৎনরিবা য়ানচেগা এক্ট অসিগী সেক্সন ৩ গী মখাদা থোকপা য়াথংগা চানদবা য়ানদবা লৈজরবসু য়াথং অদুমক চৎনগনি।

**মখা মথং য়ুমশকৈশদা...**